## কেনেজিগী হকচাং লৌদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৩গী নুমিদাংদা দি এম য়ু কেম্পসতা লৈবা মহৈরোয় লূপ অমগী ওফিস কমপ্লেক্সতা পোকখায়খিবা বোম মচেৎনা পানবদগী হোস্পিটালদা লায়েংনবগীদমক পুখৎখিবা মহৈরোয় অনীগী মনুংদা য়াওখিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী উপোকপীদগী ওইনাম কেনেজি, অপোকপা ও ইঙোচাগী হকচাং ঙসি রিমসকী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সী অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা লৌরগা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে হায়রি। জে এ সীগা লৈঙাক্কী মরক্তা য়ানবা ৱাফমশিং পুরকপদগী মহাক্কী হকচাং লৌবনি হায়রি।

### ‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

### ইম্ফাল রিং রোদকী মায়োক্তা ঙসি মীফম...

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):** লৈঙাক্লা ইম্ফাল রিং রোদকী থবক পায়খৎলগনি লাউথোকখিবগী মায়োক্তা মসিদা ইম্ফাল ইষ্টকী ইপুম মপাল রোদ য়াওহল্লকপগী মায়োক্তা হয়েং জে এ সী এগেনষ্ট দি কন্সত্রক্সন ওফ রিং রোদ কনেক্টিং ইপুম মপাল রোদ খুরাই কোন্সম লৈকায়না শীন্দুনা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা এজিটেসনশিং চঙশিনগনি হায়না জে এ সীগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## শান্নরোয়শিংগী নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে...

*লমায় ১গী মখা...* এসিয়ন গেমসতা সিলভর মেদল ফংলকখ্রবী ৱুশুগী শান্নরোয় নাওরেম রোসিবিনাদা মণিপুর পুলিসকী দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকী ফম পীরগনি হায়নসু লাউথোকখি।

লৈখিদ্রবা মিষ্টর মাইপাককী মিংদা দিজিটেল এক্সপরিএন্স সেন্টর হাংদোকপগা মরী লৈননা মহাক্লা হায়, সেন্টর অসিনা শান্নরোয়শিংনা প্রেক্টিস তৌবদা কান্নবশিং পীরগনি। শান্নরোয় অমনা মণিপুরগী মায় পাক্লবা শান্নরোয় অমা ওইবা ঙম্নবগী ইনফোর্মেসনশিং অমসুং এচিভমেন্টশিং ফংলগনি। কান্নবশিং অসিগী মথক্তা সেন্টর অসিদগী লৈঙাক্লা শান্নরোয়শিংগী য়াইফনবগীদমক পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদসু খঙবা ঙম্লগনি হায়খি।

মসিমক্লা দিজিটেল এক্সপরিএন্স সেন্টর অসি লৈখিদ্রবা মণিপুরগী বোদিবিল্ডর নোংথোম্বম মাইপাকনা লম্ অসিদা মায় পাক্লা চঙশিল্লম্বশিং অদুবু শকখঙলদুনা মহাক্কী মমিংদা থোনবনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা শান্নরোয়শিংগীদমক লৌখৎপা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা চীফ মিনিষ্টরগী স্পোর্টস পার্সন্স লাইভলিহুদ গরেন্টি স্কিম, খুঙ্গং অমা শান্নবুং অমা য়াওনা অতৈগী মতাংদসু পল্লদুনা শান্নরোয়শিংনা লাইভলিহুদ গরেন্টি স্কিম অসিগী খুদোংচাবশিং লৌগদবনি। স্কিম অসিনা শান্নরোয়শিংগী হিংনবগী লম্বী অমা ফংহনবদা মতেং পাংগনি হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা স্পোর্টস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা নুমিৎ অসিগী মরু ওইবা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী শান্ন-খোৎনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং চাওখৎহন্নবা হোৎনরকপশিংবু তৌবীমল খঙবা উৎলদুনা খুঙ্গং অমা শান্নরোয় অমগী মখাদা অহানবা ফেজদা মণিপুরগী মফম পূন্নমক্তা শান্নবুং ৬০ শেমগৎলগনি। চীফ মিনিষ্টরগী লাইভলিহুদ গরেন্টি স্কিম অসিগী অহানবা ফেজদা এঠলিট লিশীং ১ কোনশিনগনি হায়খি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হৌজিক শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লরবসু শান্নরোয়শিংদা মথৌ তাবা শেলগী তেংবাঙশিং পীরি হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরগী লমজিং মখাদা শান্ন-খোৎনবগী লম্দা মখা তানা চাওখৎলকখিগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মায় পাকপা ঙমখিগনি হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না চীফ মিনিষ্টরনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল ইভেন্টশিংদা মেদল ফংলক্লবা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মতেং খুৎশিন্নখি। থৌরম অসিদা লৈঙাক্কী ওফিসলশিং, ভেটরেন স্পোর্টস পর্সন্সশিং, মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী কোচ অমসুং এঠলিটশিংনা শরুক য়াখি।

## প্রাইম মিনিষ্টরনা রিমসতা ফমুং ১৫০ লৈগদবা ক্রিটিকেল ক্যের...

*লমায় ১গী মখা...* রিমসকী জুবিলি হোলদা ফোর্মেল ওইবা থৌরম অমসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (এক্সটর্নেল এফেয়রস এন্দ এদ্যুকেসন) আর কে রঞ্জন, আউটর মণিপুরগী এম পি ডা. লোরহো এস ফোজে, উরিপোক্কী এম এল এ, কে ঐচ রঘুমনি, মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী জোইন্ট সেক্রেটরি বন্দনা জেন, রিমসকী দিরেক্টর ডা. জি সুনিলকুমার অমসুং মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ড. এন সঞ্জিবসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মণিপুরগী মীয়াম হৌজিক অৱাবা তাঙ্কক অমা মায়োক্লরি। হৌজিক থেংনরিবা অৱাবা ফীভমসিনা অহানবা নত্তে। কুমজা ১৯৯২-৯৩দসু মণিপুরদা হাৎন-শুনবগী অৱা চৈথেং মায়োক্লখ্রবনি। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা পাউফাওনদবা, লান্না লৌনবা অমসুং অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন মাঙলক্তুনা ফুরুপ অমদি লন্নাইগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌনরকপদগী অসিগুম্বা অৱাবা ফীভম মায়োক্লবনি। অদুবু হৌজিক থেংনরিবা অৱাবা কয়াসিদগী লমদম অসি শোয়দনা নাম্থোক্কনি। হৌজিক পামদবা-থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোকপগী চাং য়াম্না হন্থরে। ৱাথোক অসি পোলিটিকেলগী ওইবা ৱারোইশিন অমা ৱারী শানদুনা পুরক্লবা হোৎনরি অমসুং তোঙান তোঙানবা লেভেলদা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারী শানরগা পাউফাওনরি। অথুবা মতমদা মহৌশাগুম্না ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহল্লক্লবা হোৎনরি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, ঙসি প্রাইম মিনিষ্টরনা উরেপ তন্নিবা প্রোজেক্টশিং য়াওনা চাওখৎ থৌরাংগী লম্দা পায়খৎলক্লিবা থবকশিং অসি লমদমসিগী মীয়ামগী য়াইফনবনি। চাওখৎ থৌরাংগী লম্দা লমদমসিদা থবক কয়ামরুম লৌখৎলকখিগনি হায়রদুনা হৌজিক মণিপুরদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা ওইরিবসি মহৌশাগী ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহল্লক্লবা মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু আপীল তৌখি।

থৌরম অসিদা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা কুমজা ২০১৪দগী হৌনা অনা লায়েংগী লম্দা খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্লে। মহাক্কী আয়ুসমান ভারত অমদি চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙগী মখাদা মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীরে। ঙসি উরেপ তন্নিবা প্রোজেক্ট অসিনসু লমদমসিদা অনা লায়েংগী লম্দা মীয়ামদা চাউনা কান্নহল্লগনি হায়খি।

## মণিপুরগী লান লোইশিনবগী লম্বীদা চঙশিল্লক্লব্রা...

*লমায় ১গী মখা...* খঙদোক্লবা চুম্না ৱারী শানখিবনি।

মীফম অদু পাঙথোক্লুরবা মতুংদা ঙরাং অথেংবা ফাওবদা তম্পাক্কী সী এস ও অদুগা অমুক ৱারী শানখিবনি হায়রদুনা মণিপুরদা থোক্লিবা থা ১০ ফাজিল্লক্লবা হাৎন-শুনবা অসি লোইশিন্দুনা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা নাগা এম এল এশিংগী মায়কৈদগীসু নাকল অনীমক্কী মীওইশিং উনদুনা অঙন্বা থাক্তা হোৎনরিবনি। অদুবু ওফিসল লেভেলদা ৱারী শানবদা মতাং অসি য়ৌরে, খুমাঙ অসুক য়াম্না চাওশিল্লে হায়বদি লৈত্রি হায়রকখি।

অদুগা থা অসিগী ২৮দগী হৌগদৌরিবা এসেমব্লিগী মীফমদা কুকি এম এল এশিং শরুক য়ারগদ্রা নৎত্রগা য়ারোইদ্রা হায়বগী মতাংদদি মহাক্কী মায়কৈদগী কম্মেন্ট পীবা পামদে হায়খি। অদুবু মহাক্কী লন্নাই ওইবা মীৎয়েংদদি কুকি এম এল এশিং শরুক য়াগদবা মান্দে হায়রকখি।

অমরোমদা, ঙসিগী নেসনল রোদ সেফটি মন্থ, ২০২৪ লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা লম্বীগী খুদোংথীবশিংগী মনুংদা তশেংনা তম্বা ঙমদবা এক্সিদেন্টশিংদগীদি চেকশিন্দবনা মরম ওইরগা থোকপা খুদোংথীবা থৌদোকশিংনা হেল্লি হায়বা য়াই। মরম অসিনা খুদোংথীবা থৌদোকশিং হন্থহন্নবা রোদ সেফটিগী কাঙলোনশিং মীয়াম্না ঙাক্লা চৎমিন্নসি হায়খি।

মণিপুরগী ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী মখাদা ইম্ফালদগী উখুল ফাওবগী হেলিকোপ্টর সর্ভিস লৈহন্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা অয়াবা পীরকখ্রে। ত্রান্সপোর্টকী লম্দা মণিপুরদা অচৌবা অওনবা কয়া পুরক্লবা হোৎনরি। মসিদা মীয়ামগী মতেং কয়া চংই। রেলৱেগী লাইন য়ৌশিল্লক্লিবসি মীয়ামদা হেন্না কান্ননবনি। মরম অসিনা মীয়াম্নসু অয়েৎপা অথিংবা অমত্তা পীবিগনু। ত্রান্সপোর্ট লোয়শঙদা থবক চঙলকপশিংগী মরক্তগী অকক্লবা মফম অমদা তাজগে হায়না ৱাচৎ-ৱানোম তৌরকপা অমদি প্রেসর পীরকপা তৌহনগনু হায়নসু মহাক্লা আপীল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা লোয়শঙ অসিগী সেক্রেটরি মাইকেল অচোম অমদি দিরেক্টর নিভেদিতা লাইরেনলাকপমসু শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না রোদ সেফটি মন্থকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা এসে, ক্বিজ অমদি পেন্টিং কম্পিটিসনশিংদা মকোক মথং তারবা হৈরোয়শিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি অমসুং কথোকপগা লোয়ননা মথৌ তৌরিবা ত্রান্সপোর্ট লোয়শঙগী ষ্টাফশিং অমদি ত্রাফিক পুলিসশিংবুসু ইকায়খুম্নবা উৎখি।

## চহী ২ রোমগী মমাঙদগী চুড়াচান্দপুরদা নুমীদাং...

*লমায় ১গী মখা...* তৌরোই খন্দুনা ঐখোয়দি এঞ্জাং থোংদুনা লৈখি। অদুবু সোসল মীদিয়াদা ঈরাংগী মতাংদা থাগৎনরকপশিং উরকখি। ঐখোয়গী অনকপদা মীতৈ অমত্তসু লৈতবনিনা ঐখোয়গা চেন্থোকমিন্নরক্কদবা কনামত্তা লৈখিদে। ককঙাওনদুনা চাক ফাওবা চাখিদে। মমশিল্লকপা নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৬ লোম তারকপা অদুৱাইদা ঐখোয় ইমুংগী মীওইশিং করিমত্তা পুদনা চুম্না চৎপা শাদুনা চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসন তম্না লাকখি। ঐখোয়বু কুকি মিলিটেন্টশিংনা লাপ্পা য়েংদুনা লৈহৌই। করিগুম্বা ঐখোয়না পোৎয়োম থাওয়োম পুরন্নবদি মখোয়না ঐখোয় মীতৈনি হায়না খঙদুনা নোংমৈনা কাপ্পল্লম্বসু য়াই হায়রি।

উচিন নাচিন্না পুলিস ষ্টেসন য়ৌরদুনা চঙগে তৌবদা গেট ঙাক্লম্বা কুকি পুলিসশিংনা চঙবা য়ারোই হায়দুনা গেট লোনশিনখি। ঐখোয়না পাম্বৈ অমত্তা লৈত্রে হায়জবদগী মীতৈ মচা ভি দি এফ অমনা গেট হাংদোরকখিবনি।

পুলিস ষ্টেসন চঙলুবদা মান্দব লৈকায়গী মীতৈ কয়া হান্ননা লৈরম্লে। মফম অদুদা লৈরবা মতুং অহিংদা ঐখোয়গী মায়কৈরোমদা যূম মৈ থাবগী মৈশিং উখি। মান্দব লৈকায়দগী লুহোংবা কুইদ্রিবা নহা অমদি লমন খুন্নুগনি হায়দুনা গেটতগী থোকখিগে তৌবদা মমা-মপানা মখোঙদা কোন্দুনা থোকখিদনবা থিংখি। মফম অদুদগী মিনি সেক্রেটরিএটতা ঐখোয় হোংলক্লবা মতুংদসু নোংমা সেক্রেটরিএট মনুংদা লৈবা কুকি নুপী পুলিস অনীখক্না গেট মপান্দা লৈরিবা য়াম্লবা কুকিশিংবু চাক থোংফমলোমদগী লোন্না থাজিল্লক্লবা তৌরম্বদা মীতৈ পুলিস অমনা মখোয়গী মরোল খঙলক্তুনা মূক্লরকপদগী ব্লেঙ্ক ফায়র তৌনখি।

তুংগী লম্বী উরক্ত্রবা ঐখোয়না হৌজিক রিলিফ কেম্প অসিদা লৈনা লৈনা শূফম নোম্ফম লৈশিল্লক্তবনা ৱাখল অসি মওন-মওন খল্লক্লে। ঐখোয় লাঞ্জেন্নরবশিংনা হৌজিক য়াশিন্নরক্তুনা কুকিগী মরক্তা চঙদুনা অমুক হন্না লৈরুবদা অকিবা ফাওগদৌরি। ঐখোয়গী ইরমদমসিদা লাঞ্জেন্নরিবা ঐখোয়বু তংদু লৈতানা লৈহনবীবা ঙমগদবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি কুমজা ১৯৫১গী মতুংদগী চঙলকখিবা কুকি মীতোপশিং অমত্তা চিংথদনা তান্থোকখিবা নৎত্রগা লান অসি ঐখোয়না ঙম্বা নত্তনা মীতৈগী তুংগী য়াইফগনি হায়বা লম্বী উবা ঙমদ্রে হায়রকখি।

## আর পি এফকী ৪৫শুবা ...

*লমায় ১গী মখা...* মফমশিংদসু পার্টিগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ফিরাল, ফেষ্টুন অমদি ষ্টারনচিংবা থেৎতুনা মফমদুগী মীয়ামগা পূন্না থৌরম পাঙথোকমিন্নখি।

নুমিৎ অসিগী মপূং ওইবা থৌরমদি পার্টিগী ফিরালদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কোক নোন্দুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি লোয়ননা ইকায়খুম্নজরবা আর পি এফকী এক্টিং প্রসিদেন্ট এম এম ঙৌবনা মণিপুরগী মীয়ামদা পীবা য়াইফ পাউজেল পাথোকপনা মরু ওইবা থৌরম ওইখি।

আর পি এফকী ৪৫শুবা মপোক কুমওনগী পাউজেল অসিনা মণিপুরদা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপ পূন্নমক্লা অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা ইরৈবাক মীয়ামগীদমক হেন্না মাঙজিল থানা কথোকপা ঙম্বা, নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা অমসুং মায় পাকপা পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ঙসিগী থৌরম অসি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম খরদসু পাঙথোক্লদুনা লৈখিদ্রবা পার্টিগী অথৌবশিংগী মফমদা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মফম কয়াদা পার্টিগী ফৌ চরোং অনীগী ময়ায়দা ষ্টার য়াওবা অঙাংবা মচুগী ফিরালশিং থেৎলম্বা থেংনখি।

| FOREX (INDIA RUPEES) | |
|---|---|
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 89.791389 |
| US Dollar | 82.861404 |
| British Pound | 104.831749 |
| Australian Dollar | 54.365468 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.516119 |
| Japanese Yen | 0.550555 |
| Malaysian Ringgit | 17.350073 |
| Singapore Dollar | 61.682495 |
| South Korean Won | 0.062293 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.096374 |
| Thai Baht | 2.303355 |

### GAS NEWS


**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 24-01-24**
Valid from 22-01-24
Only home delivery sarvice
Office no. 9774068549
Home delivery contract no. 8974511936
Message no. 8974511936
**Stock. 306**
Time 7.am to 9.am

**KHORIPHABA**
**Bk. Uptodate**
Mobile no:8787632782 / 7005229445
(home delivery)
Miss call for booking: 8454955555 (from regd. Mobile)
All the customers are requested to update their mobile no at office from 10 am to 1.30 pm

**M/S K&K INDANE SERVICE, HOME DELIVERY ONLY BOOKING UPTODATE**
CALL TIMING: 8AM TO 12NOON
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Tiddim line. Mayai Lambi. Imphal East. Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 8787530107 / 8014963395 /9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 / 98622 39855 8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839, / 8014963395
LAMSHANG A/C - 9612493837 / 8014963395

HL-P-9642/18-29/1-18march




### CHEQUE LOST

Date 23/2/2024 দা Thoubal to Imphal ফাওবগী মনুংদা Cheque No. 144354 Meitram Construction Pvt. Ltd. কী মিংদা লৈবা অসি তাহৌরে। কনাগুম্বনা থেংনবীরবদি মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ পীবিয়ু।

HL-P/9731/26 **Contact : 8787545268**

### ইস্কোল য়োঞ্জরি

কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মনিংদা 50x40 পাক চাওবা ইস্কোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পান্নীবশিংনা মখাগী No. অসিদা Contact তৌবীয়ু।

HL-P/9732/26,28, 1st march **Contact : 9774175917**

### EMPLOYMENT NEWS

| SL.NO. | NAME OF THE POST | QUALIFICATION | AGE | SALARY |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Security | VII | Upto 45 | 7,000 - 13,000 |
| 2 | Helper (Delhi) | - | 30 - 50 | 15,000 |
| 3 | Loan Officer | X/XII | Upto 35 | 6,500 - 10,000 |
| 4 | Cargo Loader (Airport) | X/XII | Upto 26 | 11,500 & Above |
| 5 | Front Sales Executive (Airport) | XII | Upto 27 | 16,000 - 20,000 |
| 6 | Lounge Associate (Airport) | XII | Upto 27 | 17,000 & Above |
| 7 | Customer Service Associate (Airport) | XII | Upto 27 | 18,000 - 22,000 |
| 8 | Guest Relation Executive (Airport) | XII | Upto 27 | 17,000 - 20,000 |
| 9 | Account Opening Staff (Axis Bank) | GRADUATE | Upto 29 | 18,000 & Above |
| 10 | Business Development Executive (Axis Bank) | GRADUATE | Upto 29 | 18,000 - 20,000 |
| 11 | Sales Officer (Axis Bank) | GRADUATE | Upto 29 | 18,500 - 22,000 |
| 12 | Value Banker (ICICI Bank) | GRADUATE | Upto 26 | 20,000 -25,000 |
| 13 | Relationship Manager (ICICI Bank) | GRADUATE | Upto 26 | 22,000 - Above |

Last Dt. of Form Submission : 06/03/24
Dt. of Interview : 07/03/24
# 7005947474

EFEC
Wahengbam Leikai
Near Hotel Bheigo
Kaidongfam Building

HL-P/9063/26,28,1,2,3,5

### N.V.S.

## M/S BHUBON & LEIREN BRICK FIELD

Kakching Lamdong

| CLASS | RATE PER Brick |
|---|---|
| 1st Class | 14.2 |
| 2nd Class | 13.2 |
| 1st Reject | 12.5 |
| Reject | 11.5 |
| Jamat | 11.5 |
| Ist PT | 12.3 |
| 2nd PT | 10.5 |
| 3rd/Grd 1 | 8 |
| 3rd/Grd 2 | 6.5 |
| 1st/Chektek 1 Load 407 Canter : 5,500 | |
| 3rd/Chektek 1 Load 407 Canter : 3,000 | |
| Office Cont. No : | |
| 8618055934, 9378107273, 9383152946 | |

* Transport Charge Extra.
N.B : (koyla & singna mei eekpa quality leiba laxmi & dayal gi brick animak fangbigani)

HL-B/8588/25-29/1-10march




HL-B/8555/16




HL-B/8348/2,4,6,8,10